## এডিটোরিয়েল

# শোয়খ্রদি শোয়খ্রে, মতম লৈরি

*মণিপুর সরকারদি প্রজাগীদমক লৈবনি, প্রজাবু নমথাক তৌবদি সরকারসিনা কৈদৌনূংদা য়াবা ঙম্লোই, সরকারগী ওইবা থৌরাং খুদিং প্রজানা হেন্না খঙলিবনি। ঙসিগী বি জে পি না লূচিংবা মণিপুর সরকারনা প্রজাগী য়াইফনবা খনবদগী হেন্না করি করম্বা প্রজানা য়াদবা থবক –থৌরম পাংথোকখ্রবগে? হোই, মাধবপুরগী হেঞ্জিনবা ৱাংঙাংদুনা ৱাঙাং ওইরে। ৭ শুবা পেগী মতাংদুনা মতাং ওইরে।*

*হন্দক্তসু লৈঙাক্লা চহী অমা ফারকপগী ধুম–ধামগা ইরোইননা সেন্টরগী খ্বায়দগী ঙম্বা অঙম্বা য়াওনা লমদমসিদা লাক্তুনা প্রোজেক্ট ১০০ হেনবগী লোইশিন– শঙ্গাবা থৌরম পাংথোকখ্রে, উরেপ–উয়ুঙ কয়াসু পাংথোক্লমলে। অদুবু প্রোজেক্ট ১০০ দুবু প্রোজেক্ট ঙাক্তরা নৎত্রগা ৱাশক ঙন্নবা তঙাইফদনা প্রোজেক্ট ওইহনখিবরা? খ্বাইদগী হেন্না খনবীগদবনা লূপ খরনদি খ্বাইদগী ঙম্বা অঙম্বা ইন্দিয়াগী শ্রী কৃষ্ণগুম্বনা লাকপদা বন্দ, টোটেল সটদাউন্দ চথখিবদু চীংগী ওইদবনিনা শন্তাইনবা ঙমখিদবনি হায়নবসিসু চুমলমগনি। চীংগী শাথিবশিংদি থেল্লগা য়াই, তমগী শাথিবশিংদি খঙশিন–তাশিন্নদ্রগা লোইরে, নৎত্রা? ঙন্ন–ঙন্নবা সরকার চলাইরগা লোয়রে। 'হোয়দা' হায়বা য়ামশিল্লক্লবদি মমৈদা সাইক্রিয়াটিক ডোক্টর তান্নরক্কনি। ডোক্টরদুসু মুন্না খন্নরগা তান্নদ্রবদি সাইদ–ফিল্লিংগী ডোক্টর ওইরমদুনা লৈবাক কাং–খোং চাইবসু য়ারিবনি। লুবনি য়ূমপানবা, তুরেল লৈঙোইদগীসু হেন্না কুপ্পনি, লুবনি সরকার চল্লাইবা হৌখিবা সরকারগা খক চাংদম্নরুগনু– মসিমক পাউরৌনি। পাউরৌগী পাউখুমদি অশিংবতনা ফোঙবা ঙমগদবনি।*

*য়ান্না শন্না খন্ন–নৈনসি, তহাগুমসি, কনাবু কীদুনা ফম মুল্লগদগে চহী ৫ গী মনূংসিদা। চুম্মী সেন্টরগী বীজেপী লৈঙাক শাসনগী দয়াদগী সরকার শেমখ্রবসু হৌজিক্তি মনূং লেনখ্রবনি। কনাগী শক্তিনা পীবা ফম মুনবসু মতিক ওইররোইদবনি। তৌবতদি অপঙগী চুমদ্রিং থৌওংনদি মণিপুরবু লৈঙাকপীগনু। য়ান্না চম্বা লৈঙাক মপু ওইবসু অৱাবা মতাং লাক্কনি। মরৌ লৈবনি চীংমী, মতাৎ হৈবনি মৈতৈ পাঙন, মবুক ফত্তবনি। তম্মী চীংমীগী, পাঙনগী, তম্মীগী পূকচেল খঙনা লৈঙাকপীয়ু। থা মশক খঙদ্রিঙৈদা, থা কাগে খনবীরুখিনু। শোয়বদগী নুমিৎ তন্না চৎলুরবদি পূমচাক চাকথেক্কুনা তোক্কনি হায়জবনি।*

*পূন্নমক, চহী অমদি মপূং ফানা য়ান্না চাউখৎ লম্বীদা লৈঙাক শাসন চলাইরক্লি। মখা তাবা মন্ত্রিশিংসু থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা মাগী মাগী প্রজাশিংগী শেবা তৌরক্লি। থাগৎনিংঙাইনি – অনৌবা ৱাখল্লোন কয়াসু মন্ত্রিশিং কয়াগী থবক – থৌরমশিংদগী প্রজাশিংনা খঙনরে–উনরে। পূন্নমক মায় পাকসনু। তরা গী চৈশুনা লেংথোং ফাই, অপূনবনা পাঙ্গলনি, ধর্ম্মনা পূন্নমকপু লাকশিনবনি। তৌবতদি – উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওই হায়বদুদি তাহনগুমসি।*

*ঙসিগী লৈঙাক মপু, মীনি, হান্নগী লৈঙাক মপুশিংসু মী ঙাক্তনি, মীনা লৈঙাক মপু ওইদ্রদি অতোপ্পা জিবনা লৈঙাকপা ওইথোক্তবনি। অওনবদা অওনবা লৈঙাক মপু লাকপনি, মালেমগী চৎন–লোনচৎনি, লাকখিনি, চৎখিনি, লেঙদনদি খক লৈবা য়ারোই। লন্নাইগী ওইবা মীংচৎ তাল্লম্নবা খ্বাইদগী মতাং চারবা তাঞ্জানি। হায়নবনি খুদোং চাবদি লৌগদবনি, ঙাইরোইদবনি, তৌবতবু মল্লবা, তহারবা নৎত্রগা খনবল্লবদি ইশাগী মাংজবতা নত্তনা পূন্নমক্কী লাইবক থীবা ওইবসু য়াই।*

*সি এম বীরেননা অচুম্বগীদমক, প্রজাগীদমক মতম পূম্বদা খূৎ তিংথোক্লি, থোঙ লাউনা হাংদুনা পূন্নমকপু ৱাতান্নরি। মসিমক মমাঙগী লুচিংবা কয়াদগীদি য়ান্না তোঙানবা অফবা মচৎনি। লৈঙাকপদা হৈশিংই হায়নরবসু করিসু নত্তবদা মকন্থিনা মরল হেক – হেক ফোইদৎপগুম্বা, করি নত্তবদা পঙশাওদা শাওবসিদি ফৈ–ফত্তে খন্নদ্রবসু গুজরাতকী মাধবপুর মেলাগী ৱাঙাংদুমদি পুরা লৈখা তানা লৈখ্রে। মণিপুরগী সি এমনি হায়বদা য়ান্না মাঞ্জদবা হায়বদুমক্লি। হোই, কোন্নসু শীঙলকখিবা য়ারি, মতম লৈরি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# ওনরেবল সি এমদা

*ইকায় খুন্নজরিবা এদিটর,*

*মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা অপূম্বা চাউখৎ খোঙথাং লূপ (এ.সি.কে.এল.) গী মাইকৈদগী ৱাফম খরা থমজরি। ওনররেবল সী. এম. গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী মরু ওইবা ইম্ফাল তমপাক্তা চেল্লিবা তুরেলশিংগী খোঙনুং তেংথোকপগী অমদি তুরেল খোঙনুংদা নিয়ম কাইনা শজিনবা য়ূম–কৈনচিংবা কয়া তকথোকপগী থবকসি মীয়ান্না পূক্লিং হকচাং য়াওনা শৌগৎচরি।*

*মীয়ান্না থাজে ওনররেবল সী. এম. গী থৌশিলসিনা চহি খুদিংগী ঈচাউ মায়য়োক্লরিবা মীশি– মীনা য়াওনা লল–থুম কয়া মাং তাকহল্লিবশিং অসিদগী কনবা ঙল্লগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। অদুবু খোভনুংদা লমগী পাটা কয়া নিয়ম লান্না পীশিল্লম্বা কয়াসিনা গভরমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক্তা অপনবা পীরে হায়বসি মীয়ান্নসু ৱাখল তাই। অদুনা মখাদ পীজরিবা ৱাফমশিংসি থবক্তা ওন্থোকপিয়ু।*

*১. –তুরেল খোঙনুংদা পাটা পায়দুনা য়ূম শাজিল্লিবশিং অসিগী মমিং মথাগা লোয়ননা লেন্ত এলোতমেন্টগী চহি মীয়ামদা খঙহনবিয়ু।*

*২. –খোঙনুংদা পাটা পিথোকপদা চেন্নবা মরি লৈনবা ডিপাটমেন্টকী ওফিসারশিংগী মমিং মীয়ামদা পাউ–চেগী খুৎথাঙদা খঙহনবীয়ু।*

*৩. – পাটা পীরম্বা ওফিসারশিং থবক্তগী পোথাহল্লু মরমদি মখোয় মীয়ামগী মায়য়োক্তা থবক তৌবা মীওইনি।*

*৪. – তুরেল খোঙনুং তেংবগী থবক নোংজু থা মমাঙদা লোইশিনবীয়ু।*

*৫. – মীয়ামগী লম খোপচিন্দুনা য়ূম কৈ শাজিল্লীবশিং খুদক্কী ওইনা মরা তাশিন্দ্রিঙৈদা ইভকিসন তৌবিয়ু।*

*৬. – তুরেল খোঙনুংদা শাজিল্লিবা পব্লিক প্রোপর্টিশিং মফম চাবদা হোংদোকপিয়ু।*

*মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমশিং অসি ওনররেবল সি. এম. না থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি অমদি থবক্তা ওন্থোরকপদা মীয়ান্না সি. এম. গীদমক্তা লেপচগনি।*

*অদোমগী*
*এল. ডায়া*
*অপূনবা চাউখৎ খোঙথাং লূপ*
*ইম্ফাল*

# বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম

পূন্সিবু চাউরাক্লা মান্নবা চাংদা শরূক মরি থোক্লা য়েন্থোক্লগা অমমমবু আশ্রম কৌই। পোকপদগী চাউরাক্লা চহি ২৫ শুবা ফাওববু ব্রহ্মচার্য্য আশ্রম, মথংগী চহি ২৫ (চাউরাক্লা) বু গৃহষ্ঠাশ্রম, মথংগী চাউরাক্লা চহি ২৫ ফাওববু বাণপ্রস্থাশ্রম অমসুং লেমহৌরিবা শরূক অদুবুনা সন্ন্যাসাশ্রম হায়রগা খঙনৈ। ব্রহ্মচার্য্য অবস্থাদা মতীক চাবা মী অমা ওইবা ঙন্নবা মহৈ মশিন তমদুনা, পুকচেল লাকশিন্দুনা, মতীক চাবা গুরু অমগী নাক্ত অশেংবা পুন্সি ওইনা লেনগনি। মতুংদা নিয়ম চুন্না য়ুম পানগনি। য়ুম পানবসু পাপনি খনফদে, মথৌ পাঙথোকপনি খনগনি। য়ুমপানবশিংনা ব্রহ্মচারী পুথোক্লিবনি, সন্ন্যাসীবু য়োক্লিবনি। খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং সমাজসিদা লৌরিবনি। জগৎকী মপুগী পেন্নফন্নি। মতীক চাবা মচা–মশু পুথোক্তুনা মীরস্লেনবু লাইরস্লেন ওলহনবসু য়ুমপানবশিংগী খুদোলনি। অকক্লবা নিয়ম কয়াবু ঙাক্তুনা পাল্লিবা য়ূমদুদি তশেংবা মন্দিরনি। মচাশিংনা মহুৎ শিন্দুনা য়ুম পুবা ঙল্লক্লবদি মপুং ফানা তশেংবা মন্দিরনি। মচাশিংনা মহুৎ শিন্দুনা য়ুম পুবা ঙম্লক্লবদি মপূং ফানা তাইবঙ চক্রদগী নান্থোক্লবা শেম শাবা য়ারে, মতমসিবু বানপ্রস্থাশ্রম কৌই। অপূনবগা থাদোকপগা অনীগী লাংদাইনি। ধর্ম্ম শাস্ত্র নৈনবা, অচুম্বা থিবা, চূনগদবা লম্বী থিগদবা পূন্সিগী ফজরবা তাঙ্ককনি। অরোইবদা ঐনা ফনা খাঙদুনসু ফাদুনা থম্বা য়াররোইদবা লন–থুম, হকচাং পূন্নমক ইশানা খঙনা থাদোক্লগে হায়না লৌরবা লাকপা মহাক্তুদা মতমদুবু হরাউ হরাউ ঙাইদুনা লৈবা পুন্সিগী তাঙ্কক্তুবু সন্ন্যাসাশ্রম কৌই।

অসুন্না পূন্সিগী তাঙ্ককশিংদা তৌগদবা মথৌগা লোয়ননা তাক্লিবা নিয়মসিবু আশ্রম ধর্ম্ম নৎত্রগা ইচম চন্না আশ্রম হায়রগা খঙনৈ।

মীওইবা খুদিংমক তত্ত্বদা মান্নরবসু তৌ–ঙম্বা অমদি মওং–মতৌদা চপ মান্নবা লৈতে। মী মীদুদা য়াওবা তৌঙম্বা শক্তি, গুণগী মতুং ইন্না মী মখল মরী থোক্লা মপুঙ্দা খায়দোকই। মসিবু বর্ণ ধর্ম্ম কৌনৈ।

মীওইবা সমাজ অসিমক চাউরবা কল (মেছিন) অমগা চাংদন্নবা য়াই। খরনা য়ুম শাগনি, খরনা চানবা পুথোক্কনি, খরনা য়েক্লবা অমসুং অতৈ পামদবা শাফূশিংদগী ঙাকথোক্কনি, খরনা ৱাখল কুপ্পা খল্লগা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনগনি, খরনা পাঙ্গলনা শূ–নোমদুনা মীয়ামগী কান্নবা হোৎনগনি। ময়াম অসিনা চাং চানা লৈরবদা নুংঙাই য়াইফরবা, চাওখৎলবা সমাজ অমা ওইরক্কদৌরিবনি। মেছিন অমদা য়াওরিবা কায়াৎ পূন্নমক মাগী–মাগী তোপ তোপ্পা মথৌ অমমম তৌনদুনা, মদু পূন্নমক্কী পূনশিল্লকপা মহৈদুদা চাউরবা থবক অমা পাঙথোক্লি। মমল খ্বাইদগী য়ামদবা পোৎ মচা অমত্তং ৱাৎপদা মেছিন্দু থবক লেপ্পা তারকই। অদুগুন্না হকচাং অসিমক্তা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা পোৎশক অসি করিনো হায়না লেপথোকপা ঙমদে, কায়াৎ খুদিংমক্কী তঙায় ফদবা মথৌ অমমম শোয়দনা লৈরম্মী। থমোইদা তৌরিবা মতৌ অদুগুন্না চাকখাউগীসু কোক্কীসু হেক লৈরিবা কায়াৎ পূন্নমক্কী তঙায় ফদবা মথৌ পাঙথোক্লরগা, মদু পূন্নমক্কী পূনশিনবদুনা অহিংবা ওইরগা মখল মথেলগী থবক কয়া মীওইবনা পাঙথোক্লি। সমাজ অমদা লৈরিবা তৌঙম্বা শক্তিদি খেন্নবা, অদুমকপু মাগী–মাগী তোপ–তোপ্পা মথৌশিংদুদি সমাজ কৌবা মপুম অসিদা দরকার লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা বর্ণ ধর্ম্ম লাকখি। পৃথিবীদি লৈরিবা মীওইবা সমাজ খুদিংমক্তা, চৎনীংবা ধর্ম্মমত চৎচরবসু, বর্ণ ধর্ম্ম লৈতবা য়াওদে হিন্দু ধর্ম্মদদি মসি মরা তানা চেৎনা উই হায়বগী ৱাতনি নোংচুপলোমগী দর্শনীকশিংনা সমাজ অমা শেমগৎপদা বর্ণ ধর্মগী তঙায় ফদবশিংদু পন্নরম্মিবনি।

প্রকৃতিদা সত্ত্ব (অশেংবা), রজ (ময়াই কাবা) অমসুং তম (পঙশিনবা হায়বা গুণ অহুম অসি য়াওই। মীগা–মীগা খেন্নরিবসিগী মরমসু হায়রিবা গুণ অহুমসি য়াওবগী চাং খেন্নবদগীনি। সত্ত্বনা হেনবা,মদুগী মহৈ ওইনা পুকচেল শেংবা, ঙাকপিহৈবা, ধর্ম্ম চেনবা মীওইশিংদু ব্রাহ্মণ; রজনা হেনবা, মদুগী মহৈ ওইনা থৌনা ফবা, মরম চানা শিবদা অকিবা লৈতবা, পুকচেল চাউবা মীওইশিংবু ক্ষেত্রিয়; রজ অমসুং তম গী চাং মান্নরপ্পা য়াওবা অমসুং সত্ত্ব দগীদি হেনবা, মদুগী মহৈ ওইনা মশানা মশাগী ফিরেপ লৌবা ৱাজবা, ৱাখল শক্তিদগী পাঙ্গল শক্তিনা য়ান্না হেনবা মীওইশিংবু শুদ্র হায়না মীওইবা জাতিবু কাঙলূপ মরী থোক্লা খায়দোকই। খায়দোক্লিবসি গুণ (মশাদা শাগোন্নরবা তৌঙম্বা শক্তি) অমসুং কর্ম (তৌথোরকইবা, হৈনবা থবক মতা) না মরম ওইরগা লেপ্পনি। (গীতা মরীশুবা অধ্যায়)। হিন্দু ধর্ম্মনা অতোপ্পা ধর্ম্মশিংদগী তোপ–তোপ্লিবসি বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম হায়বসিসু মরম অমনি। ব্রাহ্মন্না হেন্না চাউবা ঈকাই খুন্নবা লৌই হায়দুনা ব্রাহ্মণ্য ধর্ম্ম হায়না থোনজিনবসু য়াওই। তৌইগুম্বসুং কা হেনবা থবক তৌথোরকপা ব্রাহ্মণ শাবশিংবু চৈবদি য়াই, নিয়ম অসিবু চৈবদি য়ারোই। ব্রাহ্মণ কনাবু কৌগদগে হায়বদা চঙলিবা মচাক–মগুণশিংদু লৈতবা মীনা ব্রাহ্মণগী থবক তৌরুবদগী দোষশিংদু লাকখিবনি। অদুগুন্না য়ান্না কিগনবা নুপা অমনা ক্ষেত্রিয় শারুরবদি দোষ শাগোন্নৈ। তশেংবমক্তি মী–মীদুদা য়াওবা গুণ অমসুং তৌথোরক্লিবা থবক মতাদুনা মশাবু শক তাকচগদবনি। মখোয়দুমক্তি সমাজ বিরোধ ওইবশিংদুনি। সমাজ বিরোধ ওইবা হায়রগা হূরান–চীষ্টী, মীহাৎ–মীপূন নচিংবা তৌবদুবু নত্তে। তশেংনা অসি ফাওবদি য়াই হায়না সমাজবু ঙাক শেল্লগা থন্নিবা নিয়মশিংদুবু শীঙনবা, শন্না হায়রবদা লমচৎ য়াওদ্রবা মীওইশিংদুবু শোক্লা–শন্নবা য়াদ্রবা হায়না খঙনৈ। ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রিয় ওইনিংবা কাঙবুগী মচা মশূ ওইজরবসু হঙ্গোইনিঙাই ওইবা লমচৎ চৎপশিংদুবু ইন্থোকপনি। সমাজনা তিন্ননীংদ্রবা কাঙবুদুবু শোক্ল–শন্নবা য়াদ্রবনি অদুগা মখোয়বু খ্বাইদগী হঙ্গোইনরবা থবক্তা তৌহনবদগী হরিজন হায়রগসু খঙনৈ। মসিসু হিন্দু ধর্মগী য়ুম্ফম 'লমচত্তগী ধর্ম্ম পোকই' (আচারোপ্রভবধর্ম্ম) হায়বদুগী মশক ওন্থোকপা থৌরাংনি। তৌবতদি পুকচেল পীকপা অঙম–অথৌ খরনা মরাল লৈতবা মীওই কয়াসু হরিজন ওলহন্দুনা ওৎ–নৈবা য়াওখিদবদি নত্তে। মদুসু চৈবা তারবদি নিয়মদুদা নত্তে, নিয়ম্বু শীজিন্নরিবা মীশিংদুদনি।

*ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# যোগ অমসুং ইস্লাম

*ডা. ইমরাম চৌধরী অমসুং অভিজীৎ সিংহ*

ভারতকী খবাইদগী মী য়ান্না য়ানরবা অমসুং মিং চৎলবা প্রধানমন্ত্রী শ্রী নরেন্দ্র মোদী জীনা সেপ্তেম্বর ২৭ তা অপূনবা লৈবাকশিংগী খূৎপুগী অচৌবা মীফমদা যোগবু তাইবঙপানগী ওইহনবদা য়াবীনবা চুন্না হোৎনবা অমসুং হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা অপূনবা লৈবাকশিংগী খূৎপুনা জুনগী ২১ বু মালেমগী যোগগী নুমিৎ ওইনা লৌবদা অয়াবা পীখি। অপূনবা লৈবাকশিংগী খূৎপুগী য়াওরিবা মীওই ১৯৩ গী মনুংদা য়ান্না চাউনা ১৭৭ না জুন ২১ বু মালেমগী যোগগী নুমিৎ ওইহনসি হায়বা ৱাফম অদুদা অয়াবা পীখি। খ্বাইদগী চাউরিবা ৱাফমদি, মুস্লিম লৈবাক ৪৬ না পূন্না ৱাফমদুদা য়াখি, মখোয়গী মনুংদা ইরান, কতার অমসুং অপূনবা অরব ইমরেৎ কুম্বা লৈবাকশিংসু য়াওরি। পাকিস্টান, অরব অসুং মলেশিয়া গুম্বা হিংসা লৈবা লৈবাকশিংনা য়াবীনবা থমখিবা ৱাফমদুদগী ময়োক্তা ভোট পীখি, মখোয়গী ৱারোলদু চুম্মী হায়না মরম পীবদা অদুগা ভারত্তা মখোয়না য়েক্লবগী ৱাখল লৈবা অদুগা ধর্ম্মদা হকচিনবশিংবু কিবদগী যোগ হায়বসি হিন্দুগী নিয়মনি হায়না উত্তুনা মুসলমানশিংগী নিয়ম মতুং ইন্না য়াবা মগুণদা অপূনবা লৈবাক্কী খূৎপুনা অয়াবা পীখ্রবগী তুংদা মফম পূন্নমক্তা যোগগী মরমদা য়ান্না নৈনবা হৌখ্রে, মসিদা মুস্লিম মরুপ মপাং খরগী পূক্লীংদা ঐখোয়সু যোগ তৌবা য়াদ্রা অদুগা ঐখোয়না যোগ তৌরগা হম্বুবা থাক্কী মীদি ওইরোইনা হায়না ৱাহং হংনরকখি।

ইস্লামগী চিংনবসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তগী লাকপা মৌলানাশিংগী য়াথং অদুদা অসুন্না চিংনবা কোকহনবীরি মদুদি যোগ হায়বসি মীওইবা পূন্নমক্কীদমক্তনি অমসুং মসিদা করিগুম্বা মজহব হায়বদি পূজা–পদ্ধতি (লাইৱাৎ ৱারোল) গী ৱা লৈতে।

**যোগসি মুস্লিমগী মায়োক্তা লৈতে**

যোগ শন্দোকপদা শাগোন্নরিবা অশোয়বা ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা শোয়রিবদি মসি হিন্দু ধর্ম্মগা পূল্লি হায়বসিনি অদুগা মসি তৌবদা মখল অমগী জাৎ হম্বুবনি হায়বনি। ইং ২০০৮ দা মলেশিয়াগী " নেসনেল ফতৱা কাউন্সিল" না যোগগী মায়োক্তা পীখিবা ফতৱা অদু মসিগী ৱাসিদা য়ূম্ফম ওইখিবনি, তশেংনমক্তি অসুন্না খক ওইদবনি, মহার্ষি পতঞ্জলিনা করিগুম্বা যোগগা ধর্ম্মগা অমদি লাইনিং লাইশোলগী মরমগা মরী খক থনমদে। অয়াম্বা যোগচার্য্যশিংসু হিন্দু ধর্ম্মদগী হেন্দোক্তুনা মীওইবা জাতিদা শমজিন্দুনা থন্নরকই। প্রানায়ামগী মতমদা ওঁ মহৌশাদগী শোন্দুনা লাকপগী চৎনবী অমা লৈ মদু হিন্দু ধর্ম্মগা মরী লৈনৈ, অসিগুম্বা ৱাফম পন্নরকই অদুবু যোগ গুরু স্বামী রামদেবজী অদুগা অতৈ যোগাচার্য্যশিংনা সমস্যা অসিদা অসি য়ৌনা হায়বীরি মদুদি প্রানায়ম ওইনীংবা ধর্ম্মগী মী অমনা হেক্তা তৌবা য়াই, করিগুম্বা ওঁ গী য়ানিংদবা লৈরবদি ওঁ গী মহুত্তা মীদুনা মাগী ধর্ম্মগী থাজ্জবগী মতুং ইন্না কনানো ঈশ্বরগী ওইবামখোল অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াই। (মতাংসিদা ওঁ হায়বসি ধর্ম্মা পূন্নমক্তা মওং অমা নৎত্রগা অমদা শোয়দনা য়াওই হায়বগী পাক চাউনা নৈনবা ৱারেং অসিমক্তা য়াওরি।) মুসলমান্না ওঁ গী মহুত্তা অল্লাহ শোনবা য়াই।

অপূনবা লৈবাকশিংগী খূৎপুনা জুন ২১ বু মালেমগী যোগগী নুমিৎ ওইনা লৌননবগী ৱাফম পুখৎলকপদা মুস্লিম দেশ ৪৬ হেনবনা শৌগৎখিবসিনা যোগবু ধর্ম্মগা মরী লৈনদে, লৈনৈ হায়বগী মীশীং য়ামদে, অয়াম্বা ইস্লাম পণ্ডিতশিংনা অদুগা মুস্লিম লৈবাকশিংনা যোগগী মায়কৈদা ৱা ঙাংখি। মখোয়না হায়রি মদুদি যোগনা ইস্লামগী মায়োক্তা লৈ হায়বা ৱা করিশু লৈতে, ধর্ম্মগী মথক্তা পুনশিন্নবগী মরুওইবা মন্ত্রনি। মসি ফাওবা লৈরি মদুদি মলেশিয়াগী ধর্ম্মদা হকচিনবা মৌলবীশিংনা যোগবু ইস্লামগী মায়োক্তা লৈ হায়রবদা মফমদুগী সুলতান শরফুদ্দীন ইদরীস শাহনা শাউখি। মহাক্লা হায়খি মদুদি ইস্লামগী কাউন্সিলনা যোগসন্দা অথিংবা থমদ্রিঙৈগী মমাঙদা সুলতান্দগী ৱা তানরমগদবনি। মসিমক্তি মওং অমদা ধর্ম্মদা হকচিনবশিংদা সুলতান্না থম্বা অথিংবনি। সুলতান্না যোগদা থল্লম্বা ফত্তৱা (য়াথং) অদু আহৎ (থিংবা) তৌবখক্তা নত্তনা মহাক্লা অসি য়ৌনা হায়খি মদুদি মতুংদা অচুম্বা প্রজা মীওইদা নুংঙাইতবা পীগদবা করিগুম্বা ধর্ম্মগী ওইবা অথিংবা অমা পীরমদাইদা "সুলতান সজ্ঘ" দা শোয়দনা থাগৎলক্কনি হায়না আশা তৌই। (মলেশিয়াদা শরাফুদ্দীন য়াওনা লৈবাক মাপলগী অতোপ্পা নীপান য়াওনা "শাসক সজ্ঘ" দা মহাক্কীসু শরুক য়ারিবনি অদুগা অমুমুক খূৎকোয় নাইনা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইহনবনি। অদুম ওইনমক, সুলতানগী ফমসিদি মরু ওইনা চৎনবী ঙাকপগী ৱানি, মলেশিয়াগী মুস্লিমশিংনা মহাকপু য়ান্না ইকাই খুন্নৈ, মফমদুগী মলয়গী অহল লমনশিংগী চৎনবী কায়দনা ঙাকপা অমসুং মরু ওইবা মুস্লিম ওইবগী খুদম পীনবা মীশক ওইনা ইকাই খুন্নবনি। হায়রিবা থাকশিং অসি অতৈ সুলতানশিংনসু মাগী মাগী লৈবাকশিংদা ফংনৈ।) মলেসিয়াগী ইতিহাস তা ৱাফম অসি খ্বাইদগী অহানবনি মদুদি ধর্ম্মগুরুগী অথিংবদা সুলতান্না মীয়াম মাঙদা চুম্মী–লাল্লি হায়খিবসি। মসিদসু নৎত্রি, মলেশিয়াদা লৈরিবা প্রজাগী ১০০ দা ৬০ গী চাংদা মীয়ান্না যোগগী মথক্তা থমখিবা অথিংবসিগী মায়োক্তা লৈ। ফত্তৱাসিগী মরমদা মলেশিয়াগী প্রধান মন্ত্রী অব্দুল্লাহ বদাবীনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা মুসলমানশিংনা যোগবু প্রধান মন্ত্রী অব্দুল্লাহ বদাবীনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা মুসলমানশিংনা যোগবু হকচাং শাজেল ওইনা হকচাং ফনবগীদমক তৌবদা করিসু অকায়বা লৈতে অদুগা মদুদগী ইস্লামগী খুদোং থীবা লাক্লোই। ইণ্ডোনেশিয়াগী আলিম মৌলবী মসউদীনা মহাক্কী ৱারোল পীবদা, "যোগ হায়বসি য়ান্না ফবা হকচাং শাজেল অমনি অদুগা করিগুম্বা কনাগুম্বা মুস্লিম আলিমনা মসিগী মায়োক্তা ফতৱা পীবা তারবদি, মদুম তৌদ্রিঙৈদা ফত্তে হায়রিবশিংদুগী মরমদা ঙাঙনগদবনি অমসুং মুসলমানশিংনা ধর্ম্মগী হকচিনবগী মায়োক্তা লৈবগী মমি অমসুং তাহল্লমগদবনি।" মহাক্লা মখা তানা হায়খি, "অসিগুম্বা চাওখত্তবা ফতৱাগী মরন্না নোংচুপলোমগী মেডিয়া (ঈ–পাউগী মীওইশিং)না মুসলমানশিংদা ফাগী তাবীরে, লক্লবীরে।"

**যোগগী পান্দম হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকপা নত্তে**

মসি চপ চাবা ৱাফম্নি মদুদি যোগ শন্দোপসিগী তাঞ্জা লৌরগা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকপনি নৎত্রগা মসি (হিন্দু ধর্ম্ম) না খ্বাইদগী হেল্লি হায়নবা হোৎনবনি হায়বসি করি অমত্তা নত্তে। যোগ গুরু বাবা রামদেব নচিংবা লৈখ্রিদবা যোগ গুরুশিংনা যোগনা য়ূম্ফম ওইরগা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকই হায়বা করিগুম্বা খুদম অমত্তসু লৈতে। যোগ বিদ্যা শন্দোকপগী অমত্তা ঙায়রবা পান্দমদি সুপ্নতগী ইচম চন্না অমসুং হকচাং ফনা অদুগা নুঙাইনা লৈননবা খ্বাইদগী ফরবা নীতি শন্দোকপনি। অশরফ এফ, নিজামীনা মহাক্কী লাইরিক, "নমাজঃ দ যোগ ওফ ইস্লাম" হায়বদুদা ময়েক শেংনা ইরি যোগসি ধর্ম্ম নত্তে, অমরেমাদা নীতি–নিয়ম অমসুং হৈ–শিংনা ৱাংনা পুখৎপা থৌওংনি, মখোয়সি ইনবদা ধর্ম্ম অমা হেক্তা ৱাংখৎহনবা ঙমগনি। নিজামীসাহবকী অসিগুম্বা ৱাখল মত্তা অমা ইস্লাম পণ্ডিৎ ফাদর এম. ডী. শৈনল গীসু পীরি, মদুদা মহাক্লা ইবা লাইরিক্তা হায়রি মদুদি যোগসি ঈসাই শিক্ষাশিংগী মায়কৈদা চৎলিবা লম্বী ওই। মহার্ষি পতাঞ্জলিগী যোগ শাস্ত্রগী মশক অসিদি লাই থাজদবা (নাস্তিক) ফাওবনা মসিবু পাঙথোকপা য়াই।

**নমাজসু মখল অমগী যোগাসননি**

য়োগ হায়বা ৱাহৈ অসিগী উৎপত্তি 'যুজ' ধ্বাতুদগী ওই, মসিগী ৱাহন্থোক্লা শমজিন্নবা হায়বনি। জীবাত্মাগা পরমাত্মাগা শৌজিন্নবা, শমজিন্নববু যোগ কৌই। ইস্লামগী য়ূম্ফম ওইবা অর্কান মঙাগী মনুংদা নমাজসু অমনি, মসি ধ্যানগী নিয়ম অমনি, মদুনা মুসলমান মশামক মাগী মপুগী নাক্তা চঙশিন্নবগী হোৎনবনি। যোগ তৌনবগী ক্রিয়াশিং অমদি আসনশিংবু যোগাসন কৌনৈ, ৱাখল পরিং অসিদা মিশ্রগী ধর্ম্ম গুরু খরনা যোগবু ইস্লামগী ওইবা শাজেলনি হায়রি। মখোয়না যোগবু নমাজ অদুগা নমাজবু যোগ হায়।

নমাজ ফারসী লোন্নি, ৱাহৈ অসিগী হৌরকফমদি সংস্কৃত ৱাহৈ নম(হায়বদি লূকথবা, নোম্বুবা) অমসুং যুজ (হায়বদি শন্নবা) অনীসিদগী ওইরকপনি, হায়বদি মসিগী ৱাহন্থোক অসি যোগগীগা চাওরাক্লা মান্নরে। নমাজগীদমক শেংলবা কুরান অমসুং মোহম্মদনা হায়রম্বা ৱা (হদীস) শিংদা পূল্লগা থোকপা অরবী ৱাহৈদি 'সলাৎ' হায়বসিনি। মসিগী ৱাহন্থোক্লা তুংগী শরুক লোয়ননা লূকথবা নৎত্রগা নোম্বুবা হায়বনি। হায়রিবা পূন্নমকসি ৱাহন্থোক মান্নবা তোঙান তোঙানবা লোন্দা সলাৎ, নমাজ অমসুং যোগ হায়বত্তনি অমসুং মসিগী খুখাংদা ঐখোয়না পূমথোই থোইবদুগী মনাক নকচবা ঙমহল্লি।

যোগ অমসুং ইস্লামগী মরক্তা মান্নবা ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী নক্লা মান্নরিবদি নমাজগী ফমফমশিং অমসুং যোগগী ক্রিয়াশিংদা পীরিবা হকচাং শাজেলশিং অসিনা ওইরি। যোগ হৌদ্রিঙৈদা সঙ্কল্প তৌই অদুগুন্না নমাজ তৌগদৌরিবা মী অমনা নমাজ তৌদ্রিঙৈদা মাগী নীয়ৎকী অর্থদি অপাম্বা (অনীংবা) হায়বনি। নমাজ হৌরকপা মতমদা থম্মোইদা অসিগুম্বা অপাম্বা অমা থমগদবনি। মদুদি হৌজিক্তি ঐগী ৱাখল পূম্বা অল্লাদা থল্লগনি। রসুল (সল্ল.)না নমাজগী নীয়ৎ তৌননবা দুৱা তৌননবা ঐখোয়দা তম্বীরম্বদুদা হায়রিবসি, "ইন্নী বজ্জহতোবজ্জিয়া" হায়বদি "ঐগী ৱাখল পূন্নমক অল্লাহগী মায়কৈদা থল্লগনি" অসিনি।

যোগনা ঐখোয়গী পূক্লীং, বুদ্ধি অমসুং হকচাংবু লাকশিন্দুনা থম্মী অমসুং মদুমক নমাজদগী ফংই। (অশরফ এফ. নিজামী কৌবা মুস্লিম পণ্ডিৎ অমনা যোগগী মরমদা ইখিবা মশাগী লাইরিক "নমাজ ঃ দা যোগ আফ ইস্লাম" দা ইরি মদুদি নমাজগী মমাঙদা বুজু তৌই, মতৌ অসিগুন্না যোগগী শরুক অমা ওইনা শৌচ হায়বদি হকচাং শেংদোকপগী ৱা লোয়নৈ। নিজামী সাহবনা নমাজগী ফিভমশিং অমসুং খেন্নরবা যোগাসনগী মখল কয়াগা মরী লৈনহন্দুনা মহাক্কী লাইরিক্তা ইরি মদুদি 'সজদ' হায়বসি তশেংনমক শশাঙ্কাসন নি, মসিদগী থম্মোইগী লায়না অমসুং ঈচেল চাং নাইহল্লি, মতৌ অসুন্না নমাজগী রুকুগা যোগগী পশ্চিমোত্তাসনগা মান্নৈ। যোগাসন অসিনা ঐখোয়দা খুকউ নাবা ফহল্লি অদুগা য়াঙগী শান্দোংশিং মশা ফহল্লি।

যোগ অসুং ইস্লাম অনীগী পাউতাকশিংবু খঙলবা মুস্লিম কনাগুম্বনা নমাজনা চিংবা ইস্লামগী য়ুম্ফম ওইরিবা, মচি ওইরিবশিংবু থবক ওন্থোকপদা অচুগা লোয়ন– লোয়ননা যোগসু তৌবদা অদুম তৌবদগী ইস্লামদা খুদোং থীবা করিসু লৈতে।

*মখা মথৎ শৈবাকপোকপদা...*

*মণিপুরীদা ঃ*
*ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## থাজবা

# মহাক্কী অবতারশিংগী মরুওইবা মরম

মহাক্লা নুংশিজবা ময়ামগা মায়গা মায়গা লানফমদা থেংনবদা অর্জুন চিংনবনা পীক থল্লমই। মতাং অসিদা ইবুংঙো কৃষ্ণনা মহাক্কী মথৌগী মতাংদা, আত্মাগী মরুওইবা মরমদা অমসুং মুক্তি করন্না ফংগনি হায়বগী মতাংদা পাওতাক পীরমই। ইবুংঙো কৃষ্ণনা অর্জুনদা পাওতাক পীবা মতমদা মহাক নোক্লমই, মরমদি কৃষ্ণনা মঙোন্দগী চহি খরতমক হনবনি হায়বা মহাক খংই। যুগ কয়াদগী লৈরক্লবা নুমিৎ কৌবা লাইবু কৃষ্ণনা করন্না পাওতাক পীরিবনো? অশেংবদি অর্জুননা ৱাফম অসিদা অখাকপা থমফম থোক্তে মরমদি কৃষ্ণ অসি পূন্নমক্তগী পুমহেন হেনবনি হায়বসি অর্জুন মশামকসু খংবনি। অদুবু ইবুংঙোগী অবতারশিং অসিগী মরমদা অর্জুনগী চিংনবা য়ান্না লৈ হায়না ভলয়াপেৎ রামাচারিয়রনা খন্ন –নৈনবা অমদা হায়খিবনি।

করিগীদমক ইবুংঙোনা লেংঙকইবনো? মহাক্লা অবতার তৌরকপদা ঐখোয় ময়ামগুম সাত্তভিক, রাজসিক অমসুং তমসিক গুনশিং চেনব্রা? নৎত্রগা মহাক্কী লৈফম বৈকুন্ঠদা লৈবদা ওইবা সুদ্ধগী মশক অদু ওইব্রা? চুন্নগী মীগুন্না মহাকসু মহাক্কী কর্ম্মগী ফলগী মতুং ইন্না পৃথ্বীদা কুম্লকপ্রা? মহাক্কী অবতারশিং অশেংব্রা নৎত্রগা করিগুম্বা মিত্রংগুম্বা অমগী মওংলা? অর্জুননা নিংথৌগী শাগৈদা য়োক্লিবসি মহাক্কী মমাংগী মপোক্তা অফবা থবক খরা তৌখিবনা মাগী মফম অসি ফংবা ওইগনি। কৃষ্ণসু হেক পোকপগা মমা দেবকীগা খায়দোক্লখি। মদুনা তাক্লিবসি কৃষ্ণসু মহাক্কী মমাংগী মপোক্তা পাপ তৌখিব্রা?

কৃষ্ণনা অর্জুনদা ৱাহং পূন্নমক অসিগী পাওখুম পীরি। ইবুংঙোগী অবতারশিং অশেংবা ঙাক্তনি, মিত্রংগী পোৎনত্তে। মহাক্লা পৃথ্বীদা কুমথনিংদুনা মহাক্লা অবতার তৌবনি। মহাক্লা লাক্লিবা অসি মহাক্কী মমাংগী থবক্কা মরী লৈনদে। মহাক্লা পৃথ্বীদা কুমলকপদা মহাক্কী মঙ্গলগী মশক ওইবা মগুন পূন্নমক লোয়নরকই। মগুনশিং অমত্তা মাংদে। করিগুম্বা মফম অমসুং মতম অমদা অচুম্ববু শিংনরক্লবদি মহাক লাক্কনি। মহাক্কী অবতারশিংগী অকক্লবা মতম লৈতে। মৎছ অবতার নৎত্রগা ত্রিভীক্রন্না অবতার, খুদম ওইনা, মতম খরতগীনি। অদুবু রম অমসুং কৃষ্ণ ওইনা ইবুংঙোনা পৃথ্বীদা মতম শাংনা লৈবিখি। মরম অসিনা অবতারগী মতম শাংবা নৎত্রগা তেনবা হায়বসি ইবুংঙো মহক্লা লেপ্পনি।

*কর্টেসিং ডি হিন্দু ,*
*মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা*